
# মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী হিষ্ট্রি দিপার্টমেন্টনা অচুম-অরান থিদোকপীহৌবা তঙাইফদবা ওইরোইদ্রা?

**থাংজমচা দামু হিরিকোনবা**

**প্রাইভেট** সর্কুলেসন ওইবনা পূন্নমক্না খঙগনি হায়বগী ৱাফমদি লৈতে, ইশামকফাওবা থেংনজবদা ঙাইজরি লোয়ননা হংজরক্লিবা অসিনি। অদুনা থেংনবীরমদ্রিবসু য়াই, পাউখুমদি ইচুমদা চুন্নগনি অদুবু থেংনবীরন্নগনা কৈদৌবিখ্রে? মতুং থেংনবিরক্লগনা মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী হিষ্ট্রি দিপার্টমেন্ট অমা ওইনা লাইরিকসিগী মরমদা কৈদৌবীদৌরি? হংজরিবা ৱাহংসি লৈঙাক্কী কোলেজগী হিষ্টরিয়ানশিংসু য়াওরিবনি। পূন্নমক্না তঙাইফদনা খঙদবা য়াদ্রবা ৱাফমসি, তূমদবা মী হৌদোকপা তাগদৌরিবরা? মসি লন্নাইগী ৱাফম তাহনগুমসি। মণিপুরগী হিষ্টরিয়ানশিং মকোক্তা অমোৎপা য়াওখিদবরা? মতম মতমগী খোঙহাই য়েংলগা থাখিবা কলমগী মচিন্দা হায়জিন-ইশিনখিবা য়াওখিদবরা? তশেং-তশেংবা হিষ্টরিয়ান অমা থম্মোয় শেংনা ওইখিদবরা? মপূং ফাবাৎতবা লান্না চৎখিবা য়াবা চমন্নবা ওথেন্টিক ওইদবা থেসিস কয়াদা শক-মাই য়েংনদুনা উপাধি পীখিবা লৈখিদবরা? মণিপুরগী লৈমায়দা লৈরক্লিবা অঙনবা মতমগী পুয়া-পুরান, হিন্দুনাইজেসন ওইরকপঁগী, অমদি চহী মঙা-তরাগী মমাঙগী হিষ্টরিয়ানশিংগী খূৎইদা তশেং তশেংবা ওইদবগুম্বগী মমি তাবগুম্বা, চনৈনহনবা কয়া লৈবগুম্বা হায়বসি অৱাবনি হায়না তেংথাজগে। লমদমসিগী হিষ্ট্রি, ফোক টেল অমদি মাইথোলোজিগী ৱারী লাইরিক কয়াদসু তুং-মাঙ য়েংদনা ইবা চেকশিন্দবা লাইরিক, স্কৃপ্ট কয়ামা লৈরি, অসিগুম্বা অশোয়বা কয়াসিগী খুদোংচাবা কয়া লৌদুনা কনাগুম্বশিংনা লান্না রিফরেন্স বুক ওন্থোক্তুনা ইরাং শাগৎতুনা লাক্তবা নত্তে। কনাগুম্বা অইবশিংনা কাঙলুপ ফুরুপ অমগী পুৱারীবু পংহায় হায়জিন ইশিন্নবা কৈদৌঙৈদা খক হোৎনরোইদবনি। লাইওইখ্রবা থিয়েটরগী লময়ানবা ওইবিরম্বা ওজা ইবুংঙো শ্রী মৈত্রম বীরগী দ্রামাটাইজ তৌরবা বীর টিকেন্দ্রজিৎকী স্কৃপ্তা য়াওরিবা থঙ্গালগী (ৱাহৈ) দাইলোক্তা 'ননাই ঐখোয় চীংদগী কুম্লকপা কুইদ্রিবা অসিদি খাঙবদা ৱারেদা নিংথেম' অতাবা পূন্নমক্কী নাকোংদা য়ৈশিন্দুনা লৈখ্রবা দাইলোক অসিনা ঙসিদি কয়াদা কন্ট্রোভর্সেল ওইহল্লবা। অমুকসু পিদোন্নু, লংমাই চনু পেতংঙা অমদি মরাম চনু ইঙাল্লেগী ৱারী লাইরিকসিনা কনাগুম্বশিংদা লান্না মথৌ হাপ্লি, রিফরেন্স পীফম ওইরি। খন্থরুদনা মিৎয়েং অমখক্তা ইচম চম্না ইখিবা ৱারী লাইরিক কয়ানা য়েক্নবা শেম্নবগী মচাক ওইহল্লক্তবা নত্তে।

অঙকপা তরেৎকী মনুং চনবা য়ারবা, 'জলেন-গাম দি কুকি নেসন' কৌবা পি এস হাওকিপ্না ইবা কুমজা ১৯৯৮ দা প্রাইভেট সার্কুলেসন তৌবা কুকিগী হিষ্ট্রি লাইরিক অমা, চমজরবা কুকিশিংখক্তা নত্তনা মপানগী ব্যুরোক্রেট ওফিসারশিং, প্রাইম মিনিষ্টর ওফ ইন্দিয়া, প্রসিদেন্ট ওই ইন্দিয়া, ওপোজিসন লীদর, পার্লিয়ামেন্ট, এম পিশিং, আর্মি ওফিসারশিং য়াওনা অতৈ-অতৈ শিন থুংনা প্রাইভেট সার্কুলেসন তৌদুনা, কুকিশিংগী মাইন্দ সেটতা জালেন-গামনা অকনবা শাফু পীশিন্দুনা কুকি ষ্টেটকী মংলান্দা তাওদুনা ঙাঙন-শানবা য়াদনা য়াম্না খুদোংথিরগদবা ফীভম অমদা লৈরক্লি। ফুরুপ অমবু মরু ফংনা মুথৎনবা থৌরাংবা মানবা চহী ১৮ শুরবা লাইরিক অসিনা মরম ওই, মৈতৈ ফুরুপ্পু য়েক্নবা অমা ওইনা উরক্লি, মরমদি লাইরিকসিগী মগুন চাওই, ময়াক কল্লি। হৌজিক লাক্লিবা ৱাহংদি ওন্ন-তৈনবা ৱাখল্লোন কয়ানা লমজিংলগা ক্রাইম কয়া চৎথরক্লবসু য়েংদুনা অসুম লৈবা তারিবরা? লৈবা তারগনা হৌজিক হৌজিক্তসু নত্তনা তুংগী মীরোলনদি কমদৌহৌবা? ওইরক্লিবা পূন্নমকসি পোলিটিসিয়ানশিংগীসু অচৌবা মরান য়াওরি হায়দবা য়ারোই। মরমদি কম্মুনিতিশিংগী মরক্তা অকনবা শিংচেপ থাজিন্দুনা এম এল এ, মিনিষ্টর কয়ারক হন্না ওইখিদবা নত্তে। মৈতৈগী পুৱারীবু ননশিন্দুনা সুপরসিদ তৌরিবা, কুকিশিংগী হিষ্ট্রি লাইরিক অসি, মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী হিষ্ট্রি দিপার্টমেন্টনগা রিকমেন্দ তৌখিবা লৈখ্রবা জাৎলা? নৎত্রগা তশেংনা থেংনবীদ্রিবা জাৎলা? লাইরিক অসি লৈবাক ৱাথোক ওইদ্রিঙৈদা অচুম অরান থিদোকহৌদুনা ৱাখৈনফম থোক্তবরা? করিগুম্বা লাইরিক অসিগী মরী মখোং, অচুম-অরান পুথোক্তুনা মীয়ামদা খঙহনবীনবা থবক মরী লৈনবশিংনা লৌখৎপীরক্তবা তারগদি লাইরিকসি চুম্মে হায়না লৌদুনা মৈতৈ ফুরুপ কুকি ওনবা তাবনি। কম্মুনেল রাইওট থোক্তুনা লৈবাক কায়বা য়াবা লাইরিক অমবু, ফ্রি হেন্দ থাদুনা থম্বা হায়বসি লৈঙাক মপু অমদি মরী লৈনবা লোইশঙশিংগী ওথোরিটি লৈরবসু লৈতবগুমলে হায়না লৌবা তাবনি। লাইরিকসিগী অফ-ফত্ত পূন্নমক মরী লৈনবশিংনা দায়ত্ব লৌফম থোকই, দিমোক্রেসিনি হায়দুনসু পংতৌ তৌবদি খুদোংথিবা নংনরোইদরা? অমুকসু শুপচিন্না হায়জরবদা মাঙদা তাদুনা লৈরবা তঙাইফদনা তৌদবা শুকয়ামক য়াদ্রবা কয়া নমশিন-নমশিন্দুনা থল্লকপা, য়ারোইদবদা য়ানি হেক্তা হায়জিনবগুম্বা অদুগী মহয়শিংদুনি ঙসি মীয়াম্না ফংলিবা। ঙসিদগী চহী মঙা-তরা ঙনখৎনা খোঙলৌ পল্লৌ য়াওদনা লায়না তৌরম্বা য়াবা কয়া মতাং চানা অশানবা মিৎয়েংদা তৌহৌদবগী রাহুগী দষানি ঙসি মীতৈনা ফংলিবা। ষ্টেটকা সেন্টরগা অমত্তা ওইনা পাংদিং মান্নরিঙৈ পাঙথোক্কে খনবীহৌদবা হায়বসিমক লমদমসিগী য়েলহৌমীশিং অমদি মমা লৈবাকসিবু নুংশিবীবা লুচিংবশিং ওইখিদে হায়বসি ময়েক শেংনা তাকচরবনি। হৌজিক্তদা আই এল পি এস কাবক-কাবক চৎনহন্নিংবগী ৱাখল ফাওরকপনদি তকশি শোন্না খাঙবা তাবনি। অহোংবা নাইবা তাইবংসিদা খুদোংচাবা মতাং অমসুং মতম হায়বসি তোয়না ফংবা য়াবা নত্তে। শৌগৎনবদা নামুংনবা লিংজেল মান্নবা ঙমদ্রবা, চিংথনবদা লিংজেল খানবা, পোলাংদা য়াওবা ৱাইখুনা মখোয় মশেন চিংথনবদদা পোলাংগী ৱাংমা লান্না, অমত্তা চৎপা ঙম্নদবা ৱাইখুন্নবা মীতৈ ফুরুপ, মীখা পোন্না নিংদোন পোম্না মীরোল নাইনা চক কয়া ৱাহৌবা তারি। মতম অমদা ওপোচুনিষ্ট ওইরম্বা হৌজিক্না মশোং ফন্না হায়নিংবদা হায়বা, তৌনিংবদা তৌবা কাঙবুশিংনা হৌজিক্তি পোলিটিকেল্লি, জিওগ্রাফিকেল্লি ঐখোয়গী ফুল রাইট লৈরে হায়দুনা মুক্তুনা কুকি ষ্টেট তান্দুনা ঈ-নাই তাননবা থৌরাংলক্লি। অসুক শাথিনা হেঞ্জিল্লক্লবা অসি ফাওবদা মীতৈবু য়াদা ফিবুল নমদুনা থম্বগী অমাং অতোং কুপ্না নৈনদুনা য়েংবগী মথৌ তাদ্রিবরা? অরানবা কয়া লাল্লি হায়হৌদবদগী শুম-শুম চুমখৎলক্তুনা তোংজৈ মরিন্দা শামু লিৎহল্লু হায়রক্লি। মেজর কম্মুনিতিনি হায়দুনা ফাজিন পুনশিনবদা নাওশোন্নরবা মীতৈদা চার্জ কয়া তৌশিন্দুনা হায়নীংবদা হায়রি, চৈনিংবদা চৈরি। ৱাখল খন্থদবা হ্যুমেন ওইদবগী থবক থৌওং কয়াসু লেপ্পা লৈতনা চথরি। মখোয় মখোয়গী মপূক্লিং চাওথোকচরিবা ৱাফম কয়াসু ইন্টরনেটতা মনিং তম্না থাগৎতুনা মখৌ পোংনা ঙাঙ শক্লি, চমতক তৌবা ৱাহৈ পরেং অমা অনীদং লৌখৎতুনা য়েংলবদা, কুকি ঐখোয়গীদি মীজোরাম লৈজরি, নাগাগীসু নগালেন্দ লৈজরি, মীতৈ নখোয়গীদি কনা লৈ? মসিদগী ঐখোয়না খঙবা ঙম্মী মহীক চঙলবা মখোয়গী কোক্কী মেন্টালিটিগী চাং। নাকল অনীমক্কী ওইবা দোক্যুমেন্টতা ওথেন্টিকেট তৌদ্রিবা রিফরেন্স খরদা য়ূম্ফম ওইবা, জালেন-গাম দি কুকি নেসন কৌবা লাইরিক অসিদা খুদোম্বী থিন্দুনা মখোয়গী মশক তাক্লবা কন্না হোৎনরক্লি। অদুনদি লাইরিকসি লায়না লৌবা য়াবা লাইরিক ওইরিবরা? অমা ওইরো অমবু ওইরো য়ুনিটিগী স্পিরিট অমদা, তাদ য়ারোই তাও হায়দুনা দিল্লিদা লৈবা অঙম্বশিংগী মনাকোং কায়দৌমখৈ মনাকোংদা লাওশিন্দুনা নমদুনা তাহন-খঙহন্দুনা অপাম্বা দিমান্দ ফংনবা হোৎনরি। মীতৈগীনা তন্দে-মান্দে, হকাম চন-চন্দুনা শামু মনীংদা পেনা খোংবনদি উইরগা তাবা নত্তনা করিবু অহোংবা লাক্লিবগে? মীতৈগী হেরা হেক্তা য়াবরা হায়বা ৱাহৈসিনা, চুঙ্গোই ওইদুনা নাখোক্তুনা তূম্লিঙৈ, মীকপ খঙথোক থোরকপদা খাঙেনফম য়ৌরম্লে হায়বদুদা লৈরবনি। অথৌবা ইপা ইপুশিংদগী চাদা নাওদানি হায়বদা ইকায়বা ফাওদ্রবা, অচৌবা শাগৈ নাতৈগী মচা মশুনি হায়দুনা পোকখায়গদৌবা মখৈ চাওথোকচবদু কুইররোই অৱাংনরা মখানরা হুইগং থাংদুনা শোরো শোরো লাক্তুনা চিংদুনা পুগদৌবা। অমনা লমদমসিদা লৈরিবা আইনসিবু মীতৈখক্তদা শীজিন্নবা ওইবগুম তৌরি। চথরক্লিবা লাল্লোংশিংসিগী কন্সিক্কেইন্সতি ঈখেং তানদুনা খোঙ্গুল মুৎনবদু নৎত্রা? ⊂




## হুইয়েন লানপাউগী তাবুনুংদৈ

২/০৭/১৯৯৮, শগোলশেন

# মগুন ঙাকপদা লফুৎ কারকপদুরা তান্নরিবসে

**—লাই ইমো —**

**খাঙবদা** ৱারে হায়বদি পঙহায়তা হায়নৈ, অদুগা খাঙবদি পঙখাঙতা অদুম খাঙনরি। কনানা চুন্নগা কনানা লাল্লিবা; ৱায়েনবীদৌবদুসু পোল্লব্রা পোক্ত্রিবা খঙদে। অমবু ওইরে অমবু ওইরে লৈঙাক্তা খাজনা নপথিমুক্তমক ওইরবসু কাই হায়নবা কুম্মৈগী মখৈদি থিংলিদনা ঙসিসু। খাজনাগী ৱাংমদা শেন্দোং নৎত্রো শেল্লেপ তানবা কাঙবু খরদি নাখৈ শেংনা মাঙনবা য়াওরমল্লেদা! পূন্নমক্তবু শেলেপ শেন্দোং চোমলপ চোমলপ তানবা লমলানবা খূৎলিংবা ললোনবা কাংবুদি লাইনীংগী থৌরম কুম্মৈনা মউ লিংবনিনা মফৈ নিক্ল বা য়াওরি হায়না ইপলশিং!

য়েংববু হৈরবা তাববু ঙল্লবদি মগুন ঙাকপদা লফুৎ কারবসু নুংনাংবীদবা, ৱারক্কনি হায়না অমনা অমগী লম নাচুংবীদবা, মৈত্রবাক অসিগী লাইরেনগী ধারা নালা মরকসিদদি খো খোৎপা কুম্মৈনি কদাইদা কদরনো, কনানা খদ্রক তৌরিদৌনো হায়দুদি শুমাং লীলাগী মীয়ামগুম্বা লাইগী মচাশিং অসিনদি কদাইদৈ লেপ্পা ঙমগদগে। ঈজৎ মাঙবা য়াদে হায়রিসিনি, ৱা লোইরে।

হন্দক কান্নবা, অফবদা তৌবা ঙল্লগদবা মানবা অঙম্বা খূৎপু অমনা অনৌবা জিলা অমা শেল্লদগুম তৌরকপদা চীংমী খূৎপু অমনা য়ারোই হায়দুনা ফন্দুনা লেপখি। ওখাক কন্না ফনখিবা হায়বু ললোনপোৎ পুবা গাড়ী চৎপা চন্দমখৈ ফনখিদনা। লাইকুদা লিৎশিনলকপা খরফাওবা গাড়ী মিংশেল য়াওরক্তবদা নত্তে, তোংশা মচেৎ মরাং ককাফাওবা কেন্নহৌবা য়াওই। ফোটোদা উই।

কয়া য়াম্না চুম্বা ৱাচুমগী অদুক চাওনা ফনখ্রিবনো হায়বদুদি মন্ত্রি ফাত্রিনা খঙলিনিয়ে। মীয়াম ৱাগন্দবা'খোয়না খঙবা হায়মক্তবু মীয়াম্না শেম্বা লৈঙাকনিনা মীয়াম য়াদ্রবদি ফনমক ফবা থবকসু নাথৈবা ঙম্নোইরে হায়বদু থিন্দুনা তাক্লকপগুম্মী। অচুম্বদসু অরানবদসু ঐখোয় শ্বায়দা কল্লে থৌরে হায়রিসি কাংপোকপীদা লোইরম্লবোইরে হায়না খলহনবদি ঙমখ্রেদনা। য়ৈথোকখিবদুনা শাখিনি। পূন্নমক অসি মহৈরোয়মক্লসু থিংবা ঙল্লোইদবা খরা ৱাংবা থাক্কী মীওইশিংনা অতাঙবা চীঞাক থক্ল-চারদুনা য়েংগদবা কুম্মৈনি।

ঙসিগী মরক অমদি মখাগী অকনবা, মফৈ ফুবা মীয়ামনা য়েংগদবা অথিংবা লৈতবা কুম্মৈদি পাউচে, রেদিও, টি ভি অদুগা লাইভ ওইনা য়েংগদবনা মরু ওইবা কৈথেলগী দুকানশিং অমদি লম্বীদা লেপ্পুনা চথরি। মিৎয়েং তাবিরসি।

হন্দকসু মীয়াম ৱারে হায়বসি পাউচে অমদি রেদিওদগী খঙলকখি। ৱারক্কদৌরে হায়বা অদুইদৈনি। অৱাবদু কোক্লবা থৌরাং লৈঙাক্লা চপ চানা তৌরে হায়বসু চিংথদনা খঙই। অদুবু দশা তাবগী গাড়ী, বোয়োস কায়হল্লবা মীগী ফোটোসু পাউচেদা অদুম উই। অশেংবা ওইনা উখিবদি দুকান্দা পোৎ-চৈ শর শর তাকশিন্নরকপা, ফংনরক্তবসিনি। নারোন্দা ফংবা কৈদৌবশিং য়াওনা মমলগী চাং উই উই হাইগৎখি। লাওখোংদুনা চৎপা পাউথাঙ চেনবা তাখি ''মমল হেনজিন্না য়োনবা দণ্ডি পীগনি, ৱাকৎপীরকউ''। লাউ খোংলিবা কাঙবুদুদি আলুকাসি কিলোদা ৭/৮ কা ফংলিদ্রা খনবদা কল্লক খোয়শাওনৈ। মীয়ান্নদি ১২/১৫ দা লৈগে থীনৈ। লৈনৈ। সিবু মহাগী লীলা কুম্মৈ নৎত্রো? পোৎ তাঙলে, ফংদ্রে ৱানরে হায়বসিদি, রেদিওদা, টেপতা খোঙবা নুংশি মৈচাক নৎত্রগা লাইশোন ঈশৈগুম পংঙাঙ ঙাঙনৈ।

সিনেমা, লীলা, স্কুল কোলেজসু মরম অমগী থীংখ্রে অদুবু লুহোংবা, শোরাৎ, লাই হরাউবা, চাক-চা হৈজানবা, কাংগী কুম্মৈ, তাঙনা ফংবা পোৎলম কয়া উজ্জার মেলাগুম চাইখায়বদি মহৌশাদৈ পঙহন হন্থদে। ঙন্না হরাউনরি, নাপল ফুদোক্লরি, থায়না লৌ শঙম অমগা মীতৈ শরেং অমগা শিন্নদুনা চারম্বগী কলেজাদুগী ময়াই কোক্লদ্রি হায়নৈ। য়ূমদা চরা অনী চাদবদি থোইদোক্তে, লুহোংবা চৎপদা চালী শাবা লেঙথোকপদা, জগোয় কৎপদা অরুপ্পা ওইরো অতাওবা ওইরো ১৫/২০ পীথোক্তুনা ৱাইরুবা, লেম্না ৱাইরুবদা মায় ঙাঙনদে, মায় ঙাক্লে। সিদবু কনানা ৱারে, ৱারবা লৈবাক্লি থাজদোইনো। অদুনবু সিসু খন্থরগা য়েংশিনবা য়াবা কুম্মৈনি হায়গদৌরিনি।

লৈঙাক্কী মন্ত্রিখোয়নকা উরমদৌবা মান্দবা নাপ চাদবা কুম্মৈ অমসু লৈরিবা! চেঙ, গ্যাস কুম্মৈ ওইরগদি মন্ত্রিনকা থোরক্তুনা হিরো কুম্লম্বা য়াবজাৎনি। সে থাউ হানফমদা থাউ হানবা ফংদ্রদুনা মী অমদি পোৎ হোনবা গাড়ী কয়া লেপ্পিংদনা লেপ্পখি।

ৱাজাউ ঙাঙবা কনা কনানো থোয়না মসিদা ৱাৎলরোই পৈ লৈরি, নিয়মগী মখাদা ৱাত্তনা ফংহনগনি লাউথোকখিবা তাহৌবশিংনা এ ও সিশিংদা চৎলুবদনা 'পাউচেদৈ হাপকেরা, রেদিওদগী হানগেরা তৌবিরুরো, ঐখোয় শ্বায়দদি থোঙ লোনশিনজরে, লৈজদ্রে'' হায়রকই হায়নৈ। সিবুদি দুকান্দারখোয়নসু হায়গনখ্রবা ৱাহৈনি। ফাগী ৱারী অমদুম নীংশিংহনখি - 'মাগী মান্মদুনা, এঙ্গাং মনম নুংশি-তা হায়রম্বে, মনমদুই মমল লৌহৌনে হায়বা তারবদা মান্মদুনা, ইমাই মনমগী মমলদি মখোলসি লৌজহৌ, হায়রগা শেঙ্গাও নিক্লম্মী।

তশেংনা থাউ য়োনলম্বা মহৌশাই দুকান লোন্নখি। অদুবু জরকিন, পিপা মচা মচাদা নুপী/নুপাশিংনা কেনা কেনা থাউ মখল মখল মচিৎ মচিৎ অদুম ময়োনখি, লম্বীগী মতাইদা মহৌশাদৈ মীশিং হেনগৎনা। অদুগা মমল অমদি মীনোকসু হেনগৎলি। রথ যাত্রা নুমিৎ কাদুদি গাড়ী মচা মচা, কার মচা মচানা লম্বী চোনখি ... পূন্নমক্তবু এ ও সিবুদি লোনশিন্নখ্রবা সিদনিনে লৈঙাক্লা খূৎ থিংজিনবা ঙমদবা থাউগী খোনি নৎত্রগা গোহা লৈবদুনা অৱাৎপা লৈখিরোই হায়রিদো! নৎত্রো? নোক্লি খেরিশিংদুনা মরোল অমা গাড়ী মচা অমদা অহুম/মরি তোংবা, খূৎ হনবা য়াদবশিংনসু তাঞ্জা য়েংদুনা অদুম ময়ৈবী। অদুসুনে, খোংগ্রাও ফুরিৎ তপ নপ্পা শেৎলগা মনা অহুম মরি হুৎপী খোয়না ২/৩/৪ তোংশিন্দুনা থৌগাইরকপদদি ময়েদে ময়া উমশিনবা কাওমখৈ লৈথোক্তুনা য়েংই। লক্লুদে হায়বৈ ৱানি নোক্লগা ৱা ঙাঙশিন লাউশিনবদি উই। খঙদ্রে মী মান্দ্রদুনা কিরবৈরা, মখূৎ থাদ্রিদো!

অসুম্না অৱা-অনা কয়াগী মায়োক্তা, অথিংবা ১০০/১০০ গী মায়োক্তা নোকথ-খেথদুনা হরাউ মথোইদা তাইবংপাল শেবাৎনবা লমদম অমগী মমিং হায়য়ু হায়রবদি, ইচং থৌনা হায়বা য়াগনি 'মণিপুরনি'। পাউখুমসি মতিক চাবা, খন্দি খল্লরোইদবা কেন্দিদেটনা, খুনু চুবা ডি পি সি লৌরিবখোয়দা পীরুরবদি শুইনো ফংনীংঙাই ওই।

য়াই, শাথিনা য়ারি, ৱাবা য়ৌনদ্রি। চানিংঙাই লৈতবদৈ পোৎলোইবীনবা লৈত্রবা অশিবা পোৎলোইজগে হায়না মুন্নবগী থাক্তু য়ৌদ্রি। অদুম্নমক ওইদুনসু মন্ত্রিশিংসু মীয়ামসু সিবিনা মগুন ঙাক্লবা হোৎনবদা লফুৎ কাদুনা শিবদু নংউ হায়বদি কালগী নুংশিৎ অসিনা পীরি। চেকশিল্লসু নুংঙাইবদগী পোৎ তাংগনি, নাতৈ চাদ্রবদি ব্লোকেদ বন্দ মখা শমথরক্লিঙাই ওই। চীংমীগী কোক্লা তম্মী কোক্লা নম্বর চানদ্রি। ⊂

## এদিটরদা থারকপা চিঠি/ৱাকৎ/মীয়ামগী খোল্লাউ ....

### মণিপুর লৈঙাক্লা দিসএবলশিংগী য়াইফনবা থবক পায়খৎপীদ্রে

*ইকায়খুম্নজরিবা এডিটর,*

**ইন্দিয়া** লৈঙাক্লা অয়াবা পীদুনা পাস তৌখ্রবা গেজেটেদ ওফ ইন্দিয়া ফোঙদুনা অয়াবা পীখ্রবা পি দব্লিয়ু দি এক্ট, ১৯৯৫ কী মতুং ইন্না য়েংলুরবদি ঐখোয় মণিপুরদদি থবক শুকপাই পায়খৎতবগা চপ মান্নরি।

পি দব্লিয়ু এক্টতা য়াওরিবা ষ্টেট একজিক্যুটিভ কম্মিটি অন্দর সেক্সন ১৯ (১) ১৯৯৫ অসি কদায়দা লৈরিবগে? করম্বা মতমদা চৎনখ্রবগে? এদ্যুকেসনগীদমক্তা দিসএবলশিংগী ওইবা করি করম্বা খুদোংচাবা পীখ্রবগে? দিসএবল পার্সন অমনা চহী ১৮ ফাওবা ফ্রি এদ্যুকেসন ওইহনগদবনি হায়না চেপ্টর ৫ দা য়াওরি। মসি করম্বা স্কুলদা পীরিবগে?

চেপ্টর ৬ তা য়াওরিবা এমপ্লোইমেন্ট অসিনা কদায়ফাওবা চুম্না চৎলিবগে? মণিপুরগী ওইনা সোসিএল ৱেলফ্যের দিপার্টমেন্ট অসি দিসএবলশিংগীদমক্তা য়াম্না মরু ওইরি অদুবু অঙকপা অমনা দিসএবলশিংগী ৱেলফ্যেরগীদমক্তা থবক তৌগদবা এমপ্লোয়ি ২৫ খক্তং লৈ। ষ্টাফ ২৫ অসিসু কুমজা ২০০৪ দা চঙখিবা কন্ট্রেক্ট এমপ্লোয়ি ঙাক্তনি। দিষ্ট্রিক্ট ময়াম য়েন্থোকপদা কয়া থুংখ্রবগে? লিশীং ৫০ হেন্না লৈরিবা দিসএবলশিংগীদমক্তা মসিনা মতিক চারব্রা? কুমজা ২০১৬ গী থা তঙ্খাই য়ৌরক্লফাওবা অহেনবা এমপ্লোয়ি হাপ্পীদে। লোয়ননা হান্নগী কন্ট্রেক্ট অসি ফাওবা রিগুলর তাহন্দে। মসিনা তাক্লিবদি দিসএবলশিং অপংবনি থেল্লগা য়াবনি হায়না খল্লব্রা হায়বা ৱাহং কয়া লাক্লি।

কুমজা ২০১৩ দগী চৎনবা হৌখ্রবা দিসএবল মেরিএজ ইন্সেন্টিভ হৌজিক ফাওবা থবক ফজনা তৌদ্রি, মরমদি অনৌবা ফোর্ম থাদ্রি অমসুং হান্না সেলেক্সন ফংলবা কয়াগী পৈশা ফাওবা পীবা লোইদ্রি।


ষ্টেট কম্মিসন ফোর পেন্সন ৱিথ দিসএবিলিটিস মণিপুর কদায়দা ফল্লিবগে অমসুং কনানা পায়রিবগে? কম্মিস্নর মশা উনবা ফংদ্রগসু মহাক্কী ষ্টাফ ওইনা লৈরম্বা এল ধনেশ্বর সিংহবু ট্রান্সফর থাদোকখিবনা ৱাকৎফম লৈত্রবা মপু পান্দ্রবা তৌনিংবতা তৌবা মকোক থোংবা কয়াগী শান্নফম ওইরে ঙসিদি দিসএবল ঐখোয়সে।

লায়রবগা পাঙ্খক ওইরবা দিসএবল কয়াদি অমম্বা কাদা পুন্সি চুপ্পগী ওইনা অদুম্মক লৈরো হায়রিব্রা? মপী-মপা ওইবা নখোয়সু দিসএবল ওইহৈদে হায়বা লৈতবনি হায়বসি কাওবীদনা এৱ্যোর্নেস কয়া পায়খৎপীদুনা অনৌ অনৌবা ৱেলফ্যের কয়া হাপচিনবীদুনা হীংবগী মহাও লৈহনবীয়ু। দিসএবিলিটি কম্মিস্নর অথুবা মতমদা ফমহনবীয়ু, দিসএবলশিংগী ওইবা খন্ন-তান্নফম থম্বীয়ু, অৱাৎপা ষ্টাফ হাপচিনবীয়ু লোয়ননা রমসাগী ওইবা মথৌ করিনো হায়বা ময়েক শেংনা উৎপীয়ু। মথৌ মশক খঙদবা মীগীদমক্তা অহাংবা কা থম্বীগনু।

*অদোমগী - এম দি য়ুনুস খান*
*জেনরেল সেক্রেটরি, দি দি এ এম*

## হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-১১

১। 'অরেপ্পা মরুপ' কনানা ইরম্বনো?
২। খুমন্থেম প্রকাশ করি লাইরিক্তা সাহিত্য একাদেমি এৱার্দ ফংখিবগে?
৩। 'তল তরেৎ' করম্বা মখলগী লাইরিক্নো?
৪। 'লজ্জা' মৈতৈলোন্দা কনানা হন্দোকপনো?
৫। হাপ্লিবা শক্তম অসি কনাগীনো? ☞



ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম জুলাই ১, ইরাই নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল hueiyenliteraryquiz@gmail.com সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ।

ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি।

লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা খুদোলপোৎ পীজগনি।